

# কনাদা কমদৌনা পীরিবা 'শাফু'

একেন সিজগুরুময়ুম

'শাফু' হায়বা ফিল্ম অসি থা অসিদা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন ইয়র থিয়েটরদা মীয়ামদা রিলিস তৌখ্রবা মতুংদা ঙসি অমুক হন্না মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কো ওপরেসনগী হোলদা স্পিসিয়েল সো ওইনা উৎকদৌরিবা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসি নোংখোং কোইবা ফিল্মস প্রদক্সনন্না অহানবা ওইনা পুথোকপনি। ফিল্ম অসিগী শমলপ্পা ব্রারিদি খুঙ্গং অমসুং সহর অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেৎনবশিং অদুবু উৎপনি। খুঙ্গংদগী হৌরকখিবা মীওই অমনা মহাক্কী পোক্লফম লমদম অদুবু তুংওইনদুনা সহরদা লৈখ্রবা মতুংদা করি করম্বা থৌদোক্তগী পুকচেল পীকপা ওল্লকখিবনো হায়বশিং অদুসু নীংথিনা উৎথোকপগা লোয়ননা পীক্লিবা মচাবু খুঙ্গংগী পুন্সি অদুদগী নাথৈদুনা সহরগী পুন্সিদা পুরক্লবা হোৎনবদা লোয়ননা মচা অদুনা লৈশাবী মপুং ফারক্লবা মতমদা মপাগী মায়োক্তা লেপ্পকখিবা কয়া অদুদা য়ুমফম ওইবা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরনা কে বিমোল শর্ম্মনি। প্রদ্যুসরনা সি ঐচ লিম্ফোইঙম্বী, ষ্টোরি অমদি লিরিক্সনা সি ঐচ তোম্বীরাজ, স্ক্রন প্লে অমদি দাইলোগনা ব্রাই কুমার্জিৎ, সিনেমাটোগ্রাফিনা ইমো য়ুম্নাম, মেক অপনা নাওবী সলামনি।

ফিল্ম অসিগী ওইনা হৌজিক মণিপুরদা চৎনরিবা মওং অসিদগী থোইদোকপা অহোংবা লৈতে। ফিল্ম অসি মেলো ড্রামাদা য়াম্না ব্রাংবা ফিল্ম অমা ওইবগা লোয়ননা ফিল্ম অসিগী মার্কেট ফংগনি। ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবশিং অসিবু অয়াম্বনা মীয়ামনা পান্নবা এক্টর ঙাক্তা ওইবনা মখোয়গী এক্টশিং অদুবু য়েংনিংবা মণিপুরগী ভাবক মশিং হন্থদ্রি। ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবশিংদি গোকুল, অবেনাও, সুসমিতা, সুনিল মাইবোই, মাঙ্গোলজাও, শান্তি, শিলা, কিরনমালা, নরেন্দ্র নিঙোম্বা, বোনিএম অমদি সঞ্জোয়নি। চাইল্ড আর্টিশতা সুপিনাথ, অঙ্গিরাজ অমদি ট্রিচানি।



ফিল্ম অসিদা মাঙ্গোলজাওনা খুঙ্গংগী শেনজাও পায়বা অমা ওইনা লৈবগা লোয়ননা মহাক্কী লন-থুম পুখিবা মীওইশিংদা কৌরগা মহাক সহরদা য়ুম অমা শাদুনা লৈরে। মরম অদুনা পুখিবা শেনফমশিং অদু হায়নখিবা মতম অদু য়ৌদ্রবসু পীখৎলক্লবা খঙহনখি। খুলগী মীওইশিং অদুনা মীঙোন্দগী শেল পুরুবনা মরম ওইদুনা শিংফম থোকপা শেল শিংখি। মহাক্না সহরদা হোংগৎলবসু মহাক্কী পীক্লিবী মচানুপী থোইবীনদি চৎনিংখিদে। মরমদি মহাক্কা ঙানবা কৌবা মীওই অমগা য়াম্না লুনা তিন্নবা মরুপ অমা ওইবনা অয়াম্বা মতমদা মহাক্না শান্নবা অদুগী মতুং ইন্না শান্নমিন্নবা কয়া অসিবু মাঙ্গোলজাওনা পামদবনা মরম ওইদুনা মচানুপীগী তুংগী পুন্সিগী য়েংলগা সহরদা পুখি। মতম অদুদা ঙানবনা থোইবীদা কবিরৈ অমা পীখি। লোয়ননা থোইবীনসু চরিক পরেং অমা ঙানবদা পীরম্মী। ঙানবগী মচননুপী ইচন (অবে) লাইরিক তম্নিংলগসু লুখ্রাবী মমানা য়োকপনা মখোয় মচিন মাওপা হায়বদি ঙানবা অমদি অবেবু পুন্না লাইরিক তমহনবা ঙমদে। অসুম্না য়ৈথদুনা লাকপনা ঙানবা টুয়েল্ভ পাস তৌরবা মতুংদা ইম্ফালদা লাইরিক তম্বা লাকখি। মহাক্না লাইরিক তম্বা লাক্লিবা ভারাগী ইমুং অদুদা নাসির (সুর্জিৎ) কৌবা মহৈরোয় অমা থেংনখি। মহৈরোয় অসিগা লোয়ননা হিংননবা অমদি লাইরিক তম্নবা মখল মখাগী থবক কয়া ঙানবনা তৌখি। নসিরনা অয়ুক্কী মতমদা শঙ্গোম য়োল্লগা শেল তাল্লি অদুগা ঙানবনা ছুটি মতম অমদি অয়ুক নুংথিলদা দুকান অমদি রেস্তুরেন্টনচিংবদা বোটল ব্রাটরশিং সপ্লাই তৌখি। মখোয়না শঙ্গোম য়োল্লিঙৈদা মথোং মরম খঙদনা থৌরকপা কার অমনা শঙ্গোমশিং অদু তকখাইরগা চৎখি মদুদা ঙানবা অমদি নসিরনা তান্নখি। মমৈথংদা খুঙ্গংদগী সহরদা হোঙ্গৎখিবী মহাক্কী পীক্লিঙৈগী মরুপ থোইবী ওইরমখি। অদুবু মতম অদুদা মহাক থোইবীনি হায়বা খঙদে, চিংনবগী ব্রাতনি। শেঙ্গাও পায়বা মপাগী মচা ওইরিবী থোইবীনা পোৎকী মমল ওইনা শেলশিং চাইশিল্লম্লগা মফম অদুদগী চৎখি।

অসুম্না লাকপনা কলেজতা অমুক মখোয় অনী থেংনখি। মতম অদুদসু ঙানবনা চিংনবা পোক্লগসু হায়খিদে অমদি হংখিদে। মতম অয়াম্বদা মহাক্না থোইবীবু নাকোইননা শেন্নখি। নাকল অমরোমদা ইম্ফালগী চেকোন মহাজোন অমদি মচানুপা খাবা (সুনিল মাইবোই) গা থোইবীগা মরুপ ওইনরম্মী। খাবনা অয়াম্বা মতমদা থোইবীবু নুপীনি হায়দুনা মঙোন্দা নুংশিরমগনি হায়না খনখি। ইমুং মনুংনসু মচা মচা পীন্নসি হায়নখিবা কয়া অমা লৈ। নোংমা রেস্তুরেন্টতা খাবনা থোইবীবু ইশিংদা পোৎয়ান হাপচিন্দুনা পংথহনখি। মতম অদুদা রেস্তুরেন্ট অদুদা ইশিং থাবা লাকপা ঙানবা থেংনখি। ঙানবনা ইজৎ মাংলগদবী থোইবীবু মহাক্কী ইশিং হাপ্লিবা বোরা খাও মনুংদা হাপ্তুনা পুরক্লগা মহাক্কী পুন্সি কনবীরমখি। নুমিৎ অদুদা ঙানবনা থোইবী অসি মহাক্কী খুঙ্গংদা লোয়নখিবী অঙাং ওইরিঙৈগী মরুপ অদুনি হায়বা খঙখি। অদু ওইরবসু মহাক্না থোইবীদা মহাক কনানো হায়বসি তাকথোকখিবা লৈতে। টি দি সিগী পরিক্ষা অরোইবা পীবা মতমদা ঙানবনা থোইবীবু লাকপা ঙাইখি। মতম অদুদা থোইবীনা নংনা ঙাইরিবদু কনানো হায়বা ব্রাফম অদু হংলকপদা মহাক্নসু নসির ঙাইবনি হায়না খুন্নকখি। পরিক্ষা লোয়রগা ময়ুমদা হল্লমদাইদা মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী চরিক পরেং অদু থোইবীগী মফমদা পীরমখি।

নাকল অমরোমদা খাবনা মপাগী চেকোন অদুদা চৎপা মতমদা অবেগা খঙনদুনা নুাশি মরি লৈনখি। শোমদনা খাবা অমদি থোইবী লুহোংনবা মতম লেপ্পদুনা হৈজিংপোৎ পুবা নুমিৎতা অবেনা মীরোল্লিবা অঙাং অদুগী মপা অদু খাবনি হায়বা খঙলকপদগী মচন নুপী অবেগা লোয়ননা নুপা ময়ুমদা লাকখি। মখোয়না থুংলবা নুমিৎ অদুদা হৈজিংপোৎ পুনবা থৌরাং তৌরম্বা কয়া থেংনখি। লোয়ননা মপা ইমোগা ব্রারি শান্নরবা মতুংদা ইমো হার্ট পেসেন্ট ওইবনা হার্ট এটেক তৌরকপদগী হোস্পিতালদা পুখৎখিবা কয়া অসিনি।

নাকল অমরোমদা থোইবীগী মপানা অবেবু হাৎনবা খুজিল থৌরাং তৌখি। মখোয়না অতোপ্পা মীওইশিং থাজিন্দুনা অবেবু হাৎতোকপীখি। অবেনা শিরগা লৈরে হায়না খুল অদুদা খাবগা তিন্নবা মথং কৌবা মীওই অমনা পাও পীরখি। নুমিৎ অদুদা অবেনা শিনা লৈরম্বা উবদা মহাক্কী অপোকপী মমাসু হার্ট এটেক তৌদুনা মফম অদুদা লৈখিদবা কয়া অসিদগী ঙানবনা মীহাৎপশিং অদুবু থিবা হৌরকখি।

অসুম্না মীহাৎপশিং অসিগা খৎন-চৈনরিঙৈদা খাবা লাকপা মীৎকুপ্তা মীওইশিংদুনা থাংনা থিল্লকপগী তাঞ্জা অদুদা খাবদা ওইনা থিন্দুনা খাবা মফম অদুদা শিখি। মীহাৎশিং অসিগা মরী লৈননা ঙানবা পুলিসনা ফাখি। মহাকপু মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশংদা লৈনবা কোর্টনা হুকুম থোকখি। থোক্লিবা থৌদোকশিং অদু থোইবীনা মপাদা ব্রারি লীবদগী থোইবীগী মপা জ্ঞান তারক্তুনা মহাক্কী লানখ্রবা কয়া অদুবু মচাদা ঙাকপীয়ু হায়বগা লোয়ননা ঙানববু হোৎনখি। ঙানবনা জেলদগী থোরকপা মতমদা মহাক্কী কনা লৈত্রবা য়ুম অদুদা থোইবী লৈরম্বা অসিনা ফিল্ম অদুগী অরোইবা শরুক ওইখি।

ফিল্ম অসিদা দিরেক্টরগী ট্রিটমেন্টদা থোইদোকপা চেকশিনবা ব্রাৎপা থেংনদে। য়াম্না চেকশিন্না ব্রার্ক তৌই। সিনেমাটোগ্রাফর ওইরিবা ইমো য়ুম্নামগী কেমেরাগী ফজবা সোট কয়া অমসুং নীংথিনা উবা ফংই। এক্সন সিন অমা ওইরিবা ফুন্নবগী সোট কয়া অদুসু য়াম্না নীংথিনা কেপচর তৌই। অমরগী ভিজুয়েল ইফেক্ট অদুসু য়াম্না মতাং চানা শিজিন্নৈ অমদি এডিটর ওইরিবা জয় চন্দ্রনা মতাং চানা কট তৌদুনা ফিল্ম অসিবু মপুং ফাবা মেলো ড্রামা ওইনবা হোৎনখিবগী থৌদাং অদুসু চাউই হায়বা য়াই।
















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*